# নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থমখিবা অনৌবা অথিংবশিং অমেরিকাগী মীচঙশিংনা তরাম্না ওকখ্রে



যুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অহেনবা অথিংবশিং থম্নবা যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মোত অমৎতা ওইনা ভোট পীখিববু এসিয়াদা লৈরিবা যু এসকী মরুওইবা মীচংশিংনা তরাম্না ওকখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা মসিগী তরুকশুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুংদা যু এননা মালেমদগী তোঙান তারবা লৈবাক অসিগী মথক্তা থমগদৌরিবা অনৌবা অথিংবশিং অদুদা লৈবাক অসিগী শেন্দোং নিংথীনা লৈবা টেক্সটাইল এক্সপোর্টশিং থিংবা অমসুং লৈবাক অসিদা ফ্যুঅল সপ্লাই তৌবগী চাং হন্থহনবা য়াওরি।

যু এসনা ড্রাফট তৌবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন অদু পাস তৌরবা মতুংদা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা হায়খি, করিগুম্বা পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিং শানবা হালেংবা লৈতবা মওং অমদা হোৎনরিবদু লেপ্পবা তারবদি মখোয়না অহেনবা প্রেসর পীনবা শেম-শাদুনা লৈ।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী ৱারেপতু মেম্বর ১৫ লৈবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নোর্থ কোরিয়াগী বলিষ্টিক অমসুং ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা কুমজা ২০০৬ তগী মোত অমৎতা ওইনা চৎনহন্নবা য়ানখিবা অথিংবা থম্বগী মাপনশুবা রিজোলুসননি।

পিয়োংয়াংগী মপূং ওইবা মীচং অমসুং লল্লোন ইতিক্কী পার্টনর ওইরিবা চাইনা অমসুং রশিয়াগী সপোর্ট ফংনবা হায়দুনা যু এসনা অহানবা অকনবা ড্রাফটতগী ডিমান্দ খরা লৌথোকখি।

ঙসি ঐখোয়না অথিংবা হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনবদগী নুংঙাইবা লৌনবা হোৎনবা লৈতে। ঐখোয়না লান তৌনবগী মরম থিবা পামদে হায়না ভোট অদু লোইরবা মতুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা যু এসকী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা কাউন্সিলদা হায়খি। 'নোর্থ কোরিয়ন রেজিম অসি অহোংবা পুরকপা ঙম্লোইদবগী থাক অদুদি নৎতে।'

করিগুম্বা লৈবাক অসিনা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম লেপ্পগী ৱাফম য়ারবদি মসিগী তুংগী ফিভম শোয়দনা ফগনি। অমরোমদা লৈবাক অসিনা মখা তানা খুদোংথীনিঙাই ওইবা লম্বীদা চৎলবদি ঐখোয়না মখা তানা প্রেসর পীগনি হায়না হেলিনা ফোঙদোকখি। রিজোলুসন অদুগী নিগোসিয়েসন্স মায় পাকহন্নবগীদমক্তা হেলিনা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী মরক্তা অকনবা মরী অমা শাগৎখি।

যু এনগী মেম্বর ষ্টেটশিংনা হৌজিক নোর্থ কোরিয়াদগী টেক্সটাইলস পুশিনবা লেপ্পগী ফিভম লাক্লগনি। টেক্সটাইলসনা কুমজা ২০০৬ তা কোল অমসুং অতৈ মিনরেলশিংগী মতুংদা পূন্না দোলর মিলিয়ন ৭৫২ ওইদুনা নোর্থকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা এক্সপোর্ট ওইখি।

মদু লল্লোন ইতিক্তগী লাকপা লৈবাক অসিগী অপূনবা ইনকমগী শরুক মরি থোকপগী অমনি হায়বসি সাউথ কোরিয়ন দাটাদগী খঙবা ঙমই। পোৎথোকশিং অদুগী চাদা ৮০ রোমদি চাইনাদা চৎখি। মসিগী রিজোল্যুসন অসিনা মপান্দা থবক শুদুনা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়ন ৯৩,০০০ দগী লৈবাক অসিগী রেজিমনা শেল তানবসু য়াহল্লরোই হায়না হেলিনা ফোঙদোকখি। নোর্থ কোরিয়নশিং মপান্দা থাদোক্লগা থবক কন্না শুহন্দুনা রেজিম অসিনা টেক্স চাউনা লৌদুনা লাকখি হায়রি।

রেজিম অসিনা চহীগী অহেনবা রেভিন্যু দোলর মিলিয়ন ৫০০ নৎত্রগা হেন্না ফংলম্বদু অথিংবা অসিনা ফংহল্লরোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# নৱাজ শরিফকী ইমুংনা হায়জবদা পাকিস্থানগী সুপ্রিম কোর্টনা য়াখ্রে



ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

মফম তাখ্রবা পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ, মহাক্কী মচাশিং, মমাকনুপা সফদর অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর ইশাক দারনা পানামাগী চে-চাংগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মহাকপু ডিসক্কালিফাইদ তৌখিববু শীংনদুনা থাখিবা রিভ্যু পিটিসনশিংগী হিয়রিং তৌনবা জজ মঙাগী বেঞ্চ অমা শেম্বীনবা হায়জখিবা অমা পাকিস্থানগী সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি য়াখ্রে।

মশাগী চহী ৬৭ শুরবা শরিফপু পুকচেল শেংদবগী ডিসক্কালিফাইদ তৌহনখিবা অমসুং ৱাথোক অদুগী মতাংদা মহাক্কী ইমুং অমসুং দারগী মায়োক্তা করপসনগী কেসশিং ফাইল তৌনবা খঙহনখিবা হৌখিবা জুলাই ২৮তা পীখিবা জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা শরিফ অমসুং মহাক্কী ইমুংনা তোঙান তোঙান্না ৱাকৎখি।

শরিফ, মহাক্কী মচানুপী মরিয়ম, মচানুপাশিং হুশাইন অমসুং হশন, মমাকনুপা মুহম্মদ সফদর অমসুং দারনা মখোয়গী পিটিসনশিং অদুদা জজমেন্ট অদুনা লোগী প্রোভিজন কয়া খোঙ্গাওনৈ হায়রদুনা মদুবু অমুক হন্না য়েংশিনবীদুনা খন্নবীনবা কোর্টতা হায়জখি।

জষ্টিস ইজাজ অফজল খাননা মকোক ওইবা অমসুং জষ্টিস শৈইখ অজমট সয়ীদ অমসুং জষ্টিস ইজাজুল হশন য়াওবা মেম্বর অহুমগী বেঞ্চ অমনা পিটিসনশিংদু লৌখৎখি।

বেঞ্চ অদুদা মেম্বর মঙানা ৱারেপ অদু তাখিবনা অমসুং মেম্বর অহুমগী পেনেলনা রিভ্যু পিটিসনশিং হিয়রিং তৌবগী পাৱর পায়দবনা অচৌবা বেঞ্চ অমা শেম্বীয়ু হায়না শরিফকী মচাশিংগী লোয়র সলমান অক্রম রাজানা বেঞ্চ অদুদা হায়জখি।

হান্না জজ মঙাগী বেঞ্চকী মহুৎতা মেম্বর অহুমগী বেঞ্চ অমনা রিভ্যু পিটিসনগী হিয়রিং তৌবগী মায়োক্তা শরিফকী মচাশিংনা সবমিট তৌখিবা অইবা ৱাকৎ অমসু মহাক্না পনখি।

অহানবগী অর্গ্যুমেন্ট লোইবদা জজশিং অদুনা প্লী অদু য়াখি অমসুং রিভ্যু পিটিসন হিয়রিং তৌনবগীদমক মেম্বর মঙাগী পেনেল অমা শেম্নবা চীফ জষ্টিসতা রেকমেন্দ তৌখি।

পেনেলনা মখা তাবা হিয়রিং হয়েং ফাওবা য়ৈথোকখি। জুলাই ২৮ গী জজমেন্ট অদুনা পাঙ্গল হাপ্পবা নেস্নেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোনা হৌখিবা চয়োলদা শরিফকী ইমুংগী মায়োক্তা করপসনগী কেস মরি ফাইল তৌখি।

# ম্যান্মারদা রোহিংয়া মুস্লিমশিংদা চথরিবা ওৎ-নৈবা, হাৎপা-তুপ্পগী থৌদৌশিং হ্বাইট হাউসনা কন্দেম তৌখ্রে



ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

হ্বাইট হাউসনা ম্যান্মারগী হাৎন-শুনবগী ঈরাং কন্দেম তৌখ্রে অমসুং রুল ওফ লো ইকাইখুম্ননবা অমসুং রোহিংয়া কাঙলূপকী মীওইশিং য়াওনা মীয়াম্বু পাক্তক্লনা ময়ূম-মকৈ থাদোকহনবগী থবক লেপ্পবা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি ওথোরিটিশিংদা অপীল তৌখ্রে।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা রোহিংয়া লালহৌবশিংনা মিলিটরি আউটপোষ্ট অমদা এটেক তৌখিবগী পাউখুম ওইনা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাব-পুনবা অমসুং হাৎপনচিংবগী ওপরেসন অমা চথখিবদগী রোহিংয়া মুস্লিম রিফ্যুজী ৩০০,০০০ রোম ম্যান্মার থাদোক্তুনা বোর্দর লাল্লগা বাংলাদেশতা চেনখি। হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি সারাহ সেন্দর্সনা হায়খি রোহিংয়া কম্যুনিটি অমসুং অতৈ মাইনোরিটিগী য়াল্লবা মীওইশিং য়াওনা মীশিংবু চাউনা ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা চেলহনবা অসিনা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচমশিংবু ঙাকপী-শেনবীদ্রে হায়বা উৎলি।

ওগষ্ট ২৫ দা বর্মীজ সিক্যুরিটি পোষ্টশিংদা এটেক কয়া চথখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩০০,০০০ ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখিবগী ফিভম লৈবা বর্মাগী (ম্যান্মারগী) নোরদর্ন রখাইন ষ্টেটতা হৌজিক থোক্লিবা ক্রাইসিস অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু অদুক্কী নুংঙাইহন্দে। এটেকশিং অমসুং মতুং তাবা হাৎপ-তুপ্পা য়াওবা ঈরাং অদু ঐখোয়না কন্দেম তৌই হায়না নুংতিগী পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা সেন্দর্সনা ফোঙদোকখি।

সেন্দর্সনা হায়খি মদুদি, লোনা য়াদবা মওংদা মী হাৎপা, খুঙ্গংশিং মৈ থাবা, পাক্তক্লনা মী হাৎপা অমসুং রেপনচিংবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং ফোর্সশিংসিগী অয়াবগা লোয়ননা মীচমশিংনা চথখিবগী পাউদমশিংদা যু এসনা নুংনাংবা ফাওই। ঐখোয়না বর্মীজ সিক্যুরিটি ওথোরিটিশিংদা রুল ওফ লো ইকাইখুম্ননবা, ঈ-নাই তাহনবা লেপ্পবা অমসুং কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীচমশিংনা ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা চেনবা লেপহন্নবা অপীল তৌরি হায়না সেন্দর্সনা ফোঙদোকখি। মহাক্না বর্মীজ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা ইলেক্টেদ গভর্নমেন্টকা খূৎশম্ননা থবক তৌমিন্নদুনা রখাইন কম্মিসনগী রেকমেন্দেসনশিং থবক ওইনা পাঙথোক্লবা তকশিনখি।

ভিক্টিমশিংদা অৱা-অনাগী তেং-বাংশিং য়ারিবমখৈ থুনা য়ৌহনগনি হায়বা বর্মীজ গভর্নমেন্টকী ৱাফম তরাম্না ওকপগা লোয়ননা সেন্দর্সনা গভর্নমেন্টতা ঈরাংনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মীদিয়াগী মীওইশিং য়ারিবমখৈ থুনা চঙবা য়াহন্নবা তকশিনখি।

ঈ-নাই তাহনবা ঈরাংদগী নাম্থোক্লবা চেন্নখিবা মীওই অয়াম্বা যূম্লোন্নবা বাংলাদেশতা চঙশিনখি। বাংলাদেশ গভর্নমেন্টনা অৱাবা তারবশিংবু মতেং পাংলিবদু ঐখোয়না থাগৎলি হায়না সেন্দর্সনা মখা তাখি।

# চাইনানা ইন্দিয়াদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী হাইদ্রো-লোজিকেল দাটা উৎপা ঙমখিরোই হায়খ্রে



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

টিবেটতা লৈবা দাটা কলেক্সন ষ্টেসন অপগ্রেদ তৌবগী থবক হৌজিক কন্না পায়খৎলিবা ওইবনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী হাইদ্রোলোজিকেল দাটা ইন্দিয়াদা উৎপা ঙমখিরোই হায়না চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হাইদ্রোলোজিকেল দাটা ইন্দিয়াদা উৎপা য়াদ্রিবা ওইরবসু ইন্দিয়াগী লাইফম কোইবশিংনা টিবেটকী কাইলাস অমসুং মানাসারোভারদা চৎকদৌরিবদু য়েংদুনা সিক্কিমদা লৈবা নাথুলা লম্বী নৌনা হাংদোক্লবা ইন্দিয়াগা ঈ-পাউফাওননবা শেম-শাদুনা লৈ হায়নসু চাইনানা ফোঙদোকখ্রে। দোক্লামদা মুক্লবগী ফিভম লৈরিঙৈ হৌখিবা জুনগী ময়াই থংবা শরুক্তা চীং লম্বী অদুদা চৎপা থিংজিনখিবনি।

মতম শাংনা ঐখোয়না ইন্দিয়াগা তুরেলগী দাটাগী মতাংদা কোওপরেসন পীনদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং চাইনাগী মায়কৈদা লৈরিবা মরী লৈনবা ষ্টেসন নৌনা শেমগৎ-শাগৎলিবা অমসুং অপগ্রেদ তৌরিবা ওইবনা ঐখোয়দা হৌজিক তুরেল অসিগী মরী লৈনবা ষ্টেটিষ্টিক্স কলেক্ট তৌনবগী ফিভমশিং লৈতে হায়না চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুআংনা ঙসি বৈজিংদা মীদিয়াদা ফোঙদোকখি।

চাইনানা করম্বা মতমদা দাটা পীগদগে হায়না হংবদা মহাক্না 'মদু ঐখোয়না কোন্না খন্নগনি' হায়খি।

হাইদ্রোলোজিকেল দাটা স্যের তৌদবগী মতাংদা ইন্দিয়াদা খঙহনখিবা লৈবরা হায়না হংবদা মহাক্না হায়খি, মঙোন্দা লৈরিবা ইনফোর্মেসনগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়ন সাইদনা মসি খঙই।

হৌখিবা ওগষ্ট ১৮ দা ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন রভীশ কুমারনা ফোঙদোকখিবা অমদা হৌজিক কুমজা ২০০৬ তা লিংখৎখিবা এক্সপার্ট-থাক্কী মেকানিজম অমা অমসুং চাইনানা সুটলেজ অমসুং ব্রহ্মপুত্র তুরেলশিংগী হাইদ্রোলোজিকেল দাটা ইন্দিয়াগা স্যের তৌমিন্নবগী ৱাফমগা মরী লৈননা এম ও যু অনী লৈ।

চহী অসিগী ওইনা ঐখোয়দা চাইনাগী মায়কৈদগী হাইদ্রোলোজিকেল দাটা পীরক্ত্রি হায়না কুমারনা নুমিৎতুদা ফোঙদোকখি।

# য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংনবা বৃটিশ পি এমদা তকশিনখ্রে



ষ্ট্রাসবোর্গ, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা ঈ য়ু লেজিসলেচরদা চৎপা মতমদা বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী মতাংদা নাখৈ শেংনা খঙহন্নবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংগদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্ট অসিগী ব্রেক্সিট কোও-র্দিনেটরনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ব্রেক্সিটকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা লাক্লবা হায়রকপা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী ইনভিটেসন অমা লৌশিনখিবদা ঐহাক নুংঙাইবা পোকই হায়না গাই ভর্হোফষ্টাটনা ষ্ট্রাসবোর্গতা লৈবা পার্লিয়ামেন্টতা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

পার্টি গ্রুপিংশিংগী মকোকশিংগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাংনবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা পীরকখিবা ইনভিটেসন অমা মেনা লৌখি। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী ওইবা প্রপোজলদি প্রসিদেন্টশিংগী ওইবা কনফরেন্স খক্তদা ৱা ঙাংবগী মহুৎতা ঐহাক্না মহাকপু ফুল হাউসতা ৱা ঙাংনবা পুক্লিং থৌগৎপা পামই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ভর্হোপষ্টাটনা হায়খি, মেনা ৱা ঙাংবা হায়বসি য়াম্না কান্নগনি মরমদি পার্লিয়ামেন্ট অদুনা ঈ য়ু অমসুং বৃটেনগী মরক্তা মরুওইনা সিটিজনশিংগী রাইটশিং, দিভোর্সকী বিল অমসুং আইরলেন্দ/নোরদর্ন আইরলেন্দগী তুংগী ৱাফমনচিংবগী মতাংদা পুরকপা ব্রেক্সিটকী এগ্রীমেন্ট অমা অয়াবা পীগদৌরিবনি।

মরম অদুনা তুংদদি পূম্নমক অসি মে অমসুং মেম্বর খূদিংমক্কী মরক্তা অফোংবা ডাইলোগ অমা ডিবেট তৌনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ভর্হোফষ্টাটনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মেনা খোঙচৎ অদু করম্বা মতমদা চৎনবা থৌরাংলিবনো হায়বসি খঙদে হায়না মহাক্না মখা তাখি। অতৈ লীদরশিংনসু মমাঙদা অসুম্না তৌখি হায়নসু ভর্হোফষ্টাটনা ফোঙদোকখি। য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংখিবা মালেমগী লীদরশিংদি যু এসকী প্রসিদেন্ট রোনাল্ড রিগান, হান্নগী ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট নিকোলাস সার্কোজি অমসুং কুমজা ১৯৯২ দা বৃটেনগী ক্বীন এলিজাবেঠনি। মখোয়দা নৎতনা পোপ অনীসু ৱা ঙাংখি।

পার্লিয়ামেন্টকী ব্রেক্সিট কোও-র্দিনেটরনা অসুম্নসু ফোঙদোকখি মদুদি, হৌজিকমক্কী ওইনদি ডিভোর্স ইস্যূশিংগী মতাংদা নিংথীনা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রি। মসি ৱারী শানবদু বৃটেন অমসুং ব্লোক অসিগী মরক্তা তুংদা লৈনগদবা লল্লোন ইতিক্কী মরীদা চঙশিনবা য়ানবা হোৎনবদগীনি। হৌজিক ফাওবদা নিগোসিয়েসন মতিক চানা খুমাঙ চাওশিল্লবরা হায়বগী মতাংদা পার্লিয়া-মেন্টনা ওক্টোবর অঙনবদা মোসন অমদা ডিবেট তৌনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# সিরিয়া গভর্নমেন্টনা লৈবাকসিগী লম অয়াম্বা আই এস আই এসতগী খুদুম চনখ্রে : রশিয়া

*দামাসকস/মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :*

*সিরিয়ন ট্রুপশিংনা লালহৌবশিংগী মখূৎতগী লৈবাক অদুগী অপূনবা লমগী চাদা ৮৫ রোম মনীং তমহল্লে হায়না রশিয়াগী মিলিটরিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। ফিভম অসি মোস্কোনা চহী অনীগী মমাঙদা মতম শাংনা মীচং ওইদুনা লাক্লবা লৈবাক অদুদা মতেং পাংদুনা লান অদুদা খূৎ থিংজিনখিবদগী অচৌবা অহোংবা অমনি হায়রি।*

*কুমজা ২০১৫ দগী রশিয়ানা প্রসিদেন্ট বাশর অশাদকী ট্রুপশিংদা নোংথক্কী সপোর্ট পীদুনা লাকখিবগা লোয়ননা লান অদুদা সিরিয়ন অমসুং মীচং ওইবা ট্রুপশিংনা ওপোজিসন ফাইটরশিং অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংগা লান্থেংনবদা খুদোংচাহনখি।*

*সিরিয়াগী লাটাকিয়া প্রোভিন্সতা লৈবা হেমৈমিম এয়র বেজদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা লেফটিনেন্ট জেনরেল অলেগজেন্দর লাপিননা হায়খি, সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা হৌজিক লেমহৌরিবা চাদা ১৫ গী লম হায়বদি চাওরাক্না স্ক্বার কিলোমিটর ২৭,০০০ খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং তকথোক্কদবা লৈরি।*

*হন্দক চয়োল খরা অসিদা ইরাননা শৌগৎপা গ্রাউণ্ডগী ফাইটরশিংগী অকনবা সপোর্টকা লোয়ননা সিরিয়াগী ট্রুপশিংনা আই এসকী মিলিটেন্টশিং লেবাননগী বোর্দরগা নক্লবা সেন্ট্রেল হোমাস প্রোভিন্সতগী তকথোকখি অমসুং মখোয়না হৌজিক গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্টশিংগা নোংপোক্লোমদা থাউ মরাং কায়না ফংবা দৈইর অল-জোরদা লান্থেংনরি।*

*দৈইর অল-জোর অসি সিরিয়াদা আই এসকী মরুওইবা অরোইবা লৈফমনি। রশিয়ন এয়র পাৱরগী সপোর্টকা লোয়ননা সিরিয়ন কেম্পেইননা চহী অহুম্লোম আই এস মিলিটেন্টশিংনা পায়শিন্দুনা থম্লকখিবা প্রোভিন্স অসিগী কেপিটেলদা চঙশিনখি। মফম অদুদা লৈবা গভর্নমেন্ট ট্রুপশিংসু আই এস মিলিটেন্টশিংনা কোইশিন্দুনা থম্লকখিবনি।*

*তৌইগুম্বসুং এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি আই এসনা মীচমশিংবু মফম অদুদা মীগী চুঙ্গোইশিং ওইনা ফাজিন্দুনা থম্বনা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং মীচংশিংগী ওফেন্সিভ অমসুং অকনবা এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীচমশিংবু ভিক্টিমশিং ওইহনখি। হন্দক্তা অহিংদা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদসু দৈইর অল-জোরগী ময়ূম-মকৈ থাদোক্লরবা সিরিয়নশিংদা হিট তৌবদগী য়ামদ্রবদা মীচম নিপান শিখি।*

# সাউদি অরাবিয়াদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টতা য়াওই হায়বা সিয়া অমসু হাৎখিবা য়ানা লৈরে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

মশাগী চহী ১৬ শুবা মতমদা ক্রাইম কয়া তৌখি হায়না ফোঙদোকচনবা মহাকপু ওৎপী-নৈবীখি হায়না ক্লেম তৌবা সাউদি অরাবিয়াগী নহা ওইরিবা সিয়া নুপা অমা হৌজিক ওথোরিটিশিংনা য়াম্না থুনা হাৎখিবা য়াবগী ফিভম মায়োক্লরি। মসি সাউদি অরাবিয়ানা লৈবাক অসিগী ওথোরিটি অমসুং চৎনবীশিংগী মায়োক্তা লৈবশিংবু লাকশিন্নবা হোৎনবগী কা হেনবা থৌওংশিংগী খুদম অমনি হায়না এম্নেষ্টি ইন্টর্নেস্নেলনা ঙসি হায়খ্রে।

হৌজিক মশাগী চহী ২১ শুরবা অব্দুলকরীম অল-হৱাজগী ইমুংদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগীদমক্তা মঙোন্দা ফংহনখিবা শিবগী চৈরাক লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনসু শৌগৎখ্রে হায়বসি ঙরাং খঙহনখি।

অপীল কয়া তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক মখা তানা অপীল তৌবা য়াহন্দবগা লোয়ননা নিংথৌ সালমাননা মহাক্কী চৈরাক অদু হৌনবী মতুং ইন্না অয়াবা হেক পীবগা মহাকপু ওথোরিটিশিংনা মতম অমদা হেক্তা হাৎপগী ফিভম লৈ হায়রি।

য়াম্না ফজদনা চথখিবা ৱায়েলগী থৌদৌ অমগী মতুং কুমজা ২০১৬ কী জুলাইদা শিবগী চৈরাক ফংহনখিবা অল-হৱাজনা কোর্টনা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিংদুগা মরী লৈনবা থবক অমৎতা পাঙথোকখিবা লৈতে হায়রি।

সাউদি অরাবিয়ানা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংবু ফা-পুন্নবা অমসুং চৈরাক পীনবা হোৎনবদা হৌজিক ফাওবদা হালেংবগী মওং উদ্রি। ক্রাইম তৌখি হায়বা মতমদা চহী নৌরিবা অঙাং অমা ওইখিবা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিগী শাথীরবা থৌওংশিংগী খ্বাইদগী নৌবা ভিক্টিম অসি শিবগী চৈরাকপু গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবশিংগী মরদ্দ থুদেক্লবগী খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরিবা শুপ্নমগী থৌওং চথবা রেজিম অমগী মখূৎতা শিবগী ফিভম মায়োক্লরি হায়না এম্নেষ্টি ইন্টর্নেস্নেলগী মিদ্দল ইষ্টকী রিসর্চ ডিরেক্টর লীন মালোফনা ফোঙদোকখি।

# ইর্মানা জোর্জিয়াদা মীওই ৩ শিহনখ্রে



এটলান্টা, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :

ফ্লোরিদা লাল্লগা লৈ-লৈদুনা চৎখিবা হরিকেন ইর্মা নিংথৌকাবগী অথেংবদা মতিক-ময়ায় খরা হন্থখ্রবসু শাথীরবা ট্রোপিকেল নোংলৈ-নুংশিৎ অমা ওইনা শিৎখিবগা লোয়ননা জোর্জিয়াদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শিহনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ষ্টেট অসিগী কোষ্ট ঈশিং থুমহনখ্রে অমসুং এটলান্টাদা লৈবা এয়রপোর্টকী ফ্লাইট চা কয়া নমদুনা কেন্সেল তৌহনখ্রে।

হান্নগী হরিকেন অদু নিংথৌকাবগী নুংথিলদা ফ্লোরিদাদগী কিলোমিটর ৬৬৮ পাকপা অচৌবা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ ওইনা হাইদোকখিবদা মখা তানা অকনবা নুংশিৎশিং চেনখি অমসুং মফম কয়াদা পাক-শন্না নোং চুহনখি।

নুমিৎ কয়ানিমুক্কী মমাঙদা সাভানাহ অমসুং জোর্জিয়াগী কোষ্টকী অতৈ মফমশিংদগী মীওই ৫,৪০,০০০ রোম মফম হোংনবা ওথোরিটিশিংনা ওর্দর তৌখি। ইর্মানা চেল্লকপা এটলান্টিক ওসীনগী ঈশিংনা সাউথ কেরোলিনাগী চার্লসটনদা ফুট মরি লুবা ঈচাউ থোকহনখ্রে হায়রি। অহিংদা লৈমায়দগী ফুট অহুম হেনগৎনা ঈশিং থুম্লকপা য়াবগী মওং লৈ হায়রদুনা সিটিগী ওফিসলশিংনা মীয়ামদা লম্বীদা লৈতনবা খঙহনখি।



HL-P/2533/14to13 Sept.